A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ

নহারোলগী থৌদাং

## এদিটৌরিয়েল

### অওনবা মণিপুর অমা পুরকপদা

### মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ ১ মথৌ তারি

লাল তৌনবা, সিভিল ৱার থোকপা হায়বসি অফবা অমদি নত্তে হায়না মীপুম খুদিংমক্না য়ানদুনা মসি থোক্তনবা হোৎনরবসু লালগী অৱা চৈথেং মায়োক্নখিবা লৈবাকশিংনা ঙসি চাওখৎ লমজেলদা মাঙজিল থানা চৎলি। মসি মপুং ওইনা লাল শোক্নবগী অৱা চৈথেং ফংলবা মীয়াম, লৈঙাক শাসন পায়রিবশিংনা মদুগী মাঙজবা অমসুং তোঙজবা কয়াদু মশাদা হকথেংননা থেংনবনা মদুগী এক্সপরিয়েন্স কয়া অদুনা করিদগী লাল নত্রগা সিভিল ৱার থোকখিবনো হায়বদু হঙ্গৎনা নৈনরবা মতুংদা অশোয়বশিং অদু খঙনা মতুং থোক্তনবা পুন্না হোৎনমিন্নবা অমসুং ৱাখল তামিন্নদুনা চাওখৎ লমজেলদা মায় ওনশিল্লকখিবা ঙাক্তনি।

ঙসি মালেমদা চাওখৎ লমজেলদা মাঙজিল থানা চৎলিবা য়ুএসদসু ১৮৬১-৬৫, য়ুমথংনরিবা চাইনাদনা ১৯২৭ -১৯৫০ ফাওবা অকনবা সিভিল ৱার মায়োক্নখিবা ঙাক্তনি। য়ুএসএসআর সু য়ুএসএগা চহী কয়া উংখৎনরিঙৈ মরক লৈবাক মীয়ামগী খোল্লাও তাদনা য়ুএসএসআর গভর্নমেন্টনা তৌনিং তৌনিংবতা তৌরিঙৈদা ১৯৯১ গী দিসেম্বর ২৩ দা লৈবাক ১৫ থোক্না কায়খিবদগী হৌজিক খক্তদা রুসিয়ানা লৈবাক্কী ওইবা পোলিসি কয়া হোংদোক হোংজিন তৌদুনা অমুক হন্না পুনশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা চাওখৎ মায়কৈদা মাঙজিল থানা চঙশিন্নবা হোৎনরি। সেকেন্দ ৱার্ল্ড ৱারগী মতমদা জর্ম্মন অমসুং জপান লৈবাক অনীনা ঙকচাও থেক্তুনা মালেম পুন্বা খুদুম চন্নবা হোৎনখিবা থৌরাং য়ুএসএনা লুচিংবা এলাইট ফোর্সকী মখুৎতা চাওনা মায়থীবা নংদুনা ঙসিদি লৈবাক অনী অসিবু লালদগী নাথৈরগা চাওখৎ মায়কৈদা হেন্না খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিল্লি। অদুনা লাল হায়বসি ফত্তে হায়জরবসু মসিনা পীরকপা নেগেটিভ ইম্পেক্ট কয়া অদুনা পরা অমা ওইরগা পোজিটিভ ওইবা মায়কৈদা লাকখিবা ঙাক্তনি।

মতৌ অসিগুম্না কাং-খোং চাইরবা ইন্দিয়া অমসুং ইরমদম মণিপুর অসিদসু অওনবা অমা পুরক্নবা সিভিল ৱার অমা মথৌ তারি। মতম শাংনা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইদুনা লাক্নবসু রুল ওফ লো লৈতবা, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয় মখোয়গী শক্তি পায়নবা হোৎনবদা অঙকপা ফংনা মীয়ামগী লন থুম লুট তৌবা, মীয়ামবুসু মখোয়না পাল্লিবা মায়কৈ অদুদা পুননবা হোৎনবা, অদুগা অপুনবা মীশিংগী মেজোরিতিনা মখোয় কদায়দা লৈরিবগে, করি তৌগদগে হায়বা খঙদনা সমাজ মাঙনবা হোৎনরিবা কয়াগী লাংদা থুদুনা লমদম অসিনা চাওখৎ মায়কৈদা খুমাঙ চাওশিল্লকপগী মহুৎতা নোংমা নোংমগী অৱাফমদা মায়োক্নরি। অদুবু চানিংঙাই- থক্লিংঙাই লৈতবগী হেন্না শাথিবা ফিভম অমা হায়বদুদি মায়োক্নদবনা মশাগী ওইবা ফিরেপ অমা লেপ্পা ঙমজদ্রি। মসিমক ঙসিগী মীরোল অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক্তা য়াম্না লাইবক থীবনি। মতম মতমগী ওইনা পানখিবা অমসুং পাল্লিবা সরকারশিংনসু মীয়াম্না ৱাখল তাদ্রবনিনা অশানবা মীৎয়েং অমদা থবক তৌবগী মহুৎতা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা স্কিম / প্রোজেক্ট কয়াদা মীয়ামবু মীৎ থকহন্দুনা লৈবাক খুন্নাইগী ওইবা থৌরাং থৌশিল অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি। মদুগী মহুৎতা মতম মতমগী ওইনা লাকখিবা ইশুশিং ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা পোলিসিনা নমথনবা হোৎনবনা ইশু কয়ানা লাঙ্গোই চনশিল্লক্তুনা শাসন পায়রিবশিং খক্তা নত্তনা মীয়ামসু অৱাফমদা লম্মুক্নরি। মসি পুম্নমক সরকারগী থৌশিল হৈতবা অমসুং পুকচেল শেংদবদগী থোরকখিবা ঙাক্তনি হায়বদা লাল্লোই।

ষ্টেট সরকারগী মখাদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়া লীংলিবসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তনি। মদুগীদমক্তা সরকারনা দিপার্টমেন্টশিং অদুদা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারিশিং অচৌবা শেলফম কয়া পীরগা থন্নিবনি। মখোয়বু লেম্না থন্বা নত্তে। অদুনা দিপার্টমেন্টশিংগী থবক থৌরমশিং য়াম্না তোয়না মোনিটর তৌবা অমসুং রিভিয়ু তৌবা মথৌ তাই। ঙসি লৌরোক পম্বা য়ৌরকপদা লৌমীশিংনা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবসি মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট মথৌ নিংথিনা তৌখিদবদগী ওইরকপনি হায়বসি সরকারনা অমসুং দিপার্টমেন্টনা খঙফম থোকই। ষ্টেট অসিগী তম্পাক লম খুদিংমক অচৌবা অমসুং অপীকপা তুরেলশিং অমদি মসিগী মশা মরেং লোইনা ফাওদুনা চেল্লিবনি। অদুবু ঈথৈ-লৌখোংদা ঈশিং পীননবা করম করম্বা তুরেল অমসুং মসিগী মশা মরেংশিংদা ডাম কয়া শাথ্রবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহংনি। সরকারনা তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎনবা থৌরাং তৌরবসু দাম নীংথিনা লৈতবনা নুমিৎ কয়ানি ঈশিং চিংবা য়াগদৌরিবনো? হৌজিক্কী ওইনা লৌগী দরকার লৈবগী ঈশিং চিংলবসু নিংথম থাগী মতমদা তুরেল অয়াম্বা ঈশিং কংথরক্নবা মতমদনা থক্ল-চানবা ঈশিং কদায়দগী লৌরুগদৌরিবনো? মদুদা পম্পনা ঈশিং চিংবা য়াগদৌরিব্রা? হৌজিক্কী ওইনা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ইশু ওইজরবসু অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংসু করি তৌরিবগে হায়বসি হংনিংঙাই ওই। আইএফসিদি লিংলবসু নোংজু থাগী মতমদা তুরেল তোর্ব্বান কায়বগী ফক-ৱা, বোরা খরা পুথোরকপা নত্তনা অতৈ মতমদা ঈশিং ঈচাও থোক্তনবা থৌরাং পায়খৎপা উদে। পিঐচইদিসু চপ মান্নে। দিপার্টমেন্ট অসি চল্লাইবদা লুপা ক্রোর কয়া খরচ তৌরবসু মীপুম তিংনা অফবা থক্নবা ঈশিং ফংদে। অতৈ দিপার্টমেন্টশিংসু চপ মান্নে। অদুবু সরকারগী কর্ম্মচারিনি হায়দুনা থবক তৌবা তৌদবা মতম মতমগী ওইবা পে কম্মিসন পীয়ু হায়নদি দিমান্দ তৌরি। মসিসু প্রজাগী নাকোংদদি অৱাবা অমনি। কর্ম্মচারিশিং মতমগা চান্নবা পে কম্মিসনশিং অদুমক পীবীয়ু। অদুবু সরকারগী মায়কৈদগী মখোয়দা শীন্নরিবা থবক অদু চপ চানা পাঙথোক্লিব্রা? রেভিন্যু কলেক্সনগী টার্গেট য়ৌরিব্রা? প্রজাদা কয়া য়াম্না কান্নবা ফংহল্লিবগে হায়বগী মেরিট অমসুং দি-মেরিটশিং অদু নৈনরগা রেস্পোন্সিবিলিতি ফিক্স তৌবীয়ু। দি-মেরিটনা হেল্লবদি সরকারগী লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং লৌখৎতুনা দিপার্টমেন্ট অদু লৈবগী কান্নবা অদু মীয়ামদা ফংহনসি। মীয়ামসু অচুম অরান খঙদনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইজ-ওইথক্কী লাংদা থুবগী মহুৎতা অচুম্বা ফিরেপ অদুদা লেপ্পগা অওনবা চাওখৎপা মণিপুর অমগীদমক অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা সরকারগী অমসুং মীয়ামগী ঈ থক্লিবা অঙম অথৌ অমদি পোলিটিসিয়ানশিংগী মথক্তা অচৌবা সিভিল ৱার অমা চঙশিন্দুনা য়াদে হায়বা অমা খঙহনবা মতম য়ৌরে। সরকারনসু অশোয়বশিং অদু মতম চানা চুমথোক্তুনা সিভিল ৱার থোক্নবা মীয়ামদা বার্ত্তন তৌরোইদবনি।

## লোইশিনবা নাইদ্রবা য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক

**মহেরোইশিংগী খুন্নাইসিগী**

**তোংব্রম গুলামজাৎ**

লমদমসিদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসি মফম মতম চানা লোইশিন্নবা হোৎনহৌদ্রগদি, লমদমসিগী ইনি টগ্রিতি, লমদমসিগী ইকাই খুম্নবা, লমদমসিগী ইং তপ্না হিংজগদবা পুম্নমক লোইনা শোকহল্লকপগী ফিভম অমা লাক্কদৌবগী মওংদা লৈরে। হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাগী তাং ২০ অমসুং ২১ গী লোন্নবা অহিং অথেংবদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা ষ্টেট ফোর্স অমদি আর্মিনা চঙলক্লগা হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোই, নুপা নুপী পুম্নমক হোইদোক্লগা ফাবা পুনবা তৌখিবা অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওঝাশিংসু য়াওনা অফ-অপুন তৌখিবা, মসিমক্না লমদমসিগী ইকাই খুম্নবা পুম্নমক পুল্লোই লোইশিনখ্রে হায়না লৌবা য়ারে। মরমদি অহিংদা য়ুনিভর্সিটিদা লান্দাবা হায়বদু লমদমসিগী মীয়ামদা লান্দাবগুম্বনি।

ষ্টেটসিদা লৈরিবা অয়াম্বনা য়ুনিভর্সিটি হায়বসিগী ৱাহঙোকসি ইখঙ খঙনদবদৌনা তৌবা, মসিমক মালেমগী ফুরুপ কয়াগী মমাঙদা ইকাইনিংঙাই ওই হায়গনি। ইংরেজিগী ৱাহৈ ‘ য়ুনিভর্স’ হায়বসিদগী য়ুনিভর্সিটি হায়বসি লাকপনি হায়না লৌরগদি ‘য়ুনিভর্স’ হায়বসিগী ৱাহঙোক্তি মপান নাইদ্রবা পাক চাওখ্রবা, অচৎ অওক পুম্নমক য়াওরবা তেংবানবা হায়বনি। অদু ওইরগদি য়ুনিভর্সিটি হায়বসি মালেমগী ওইবা হিরম খুদিংমক্কী তম্ফমশঙনি হায়বনি। হিন্দিদা হায়রগনা বিশ্ববিদ্যলয়- ‘বিশ্ব’ মালেম তাইবঙ পানবা পুম্নমক্কী ওইবা ‘ বিদ্যলয়’ মহৈ তম্ফমশঙ হায়বনি। কয়াদা ৱাংখ্রবা থাক্কী মহৈ তম্ফম শঙনো হায়বদু পীরিবা মীংথোলশিং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। ঐখোয়না লাইরিক্তা থেংনরকপদা ঙল্লিঙৈ মতমদা ভারতকী নালন্দা য়ুনিভর্সিটিদা চিনাগী লমকোয়বা হ্যুয়েন সাং লাক্তুনা ভারতকী লাইনিং লীচৎ, শেন্মিৎলোন লৈঙাক্লোন অমদি খুন্নাইলোন পুম্নমক তমখি হায়। শম্না হায়রবদা, য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবা হায়বসি মালেমগী ওইবা তম্ফমশঙনি হায়না লৌনরম্মী। হৌজিক্কী মতমদসু মালেমগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটি কয়াদগী ওঝা ওইরিবা কয়াদগী অফাওবা সাইন্টিষ্ট ফিলোজোফর অমদি স্কোলার কয়া থোরক্তুনা ঙসিগী মালেমদা লৈরিবা মীওইশিংগী কান্নবা কয়া পীবীরম্মী অমদি পীরি।

শম্না হায়রবদা, অতোপ্পা লৈবাক্কীদি য়ুনিভর্সির্টি অমদা ওঝা অমা ওইনা নত্রগা প্রোফেসার অমা ওইনা লৈবা হায়বসি মতম পুম্নমক্তা রিসার্স তৌদুনা, হয়ার ষ্টদিজ কয়াগী মরমদা নৈনদুনা মশম মনা কক্কনি হায়বা ফাওবা কাওবনা অয়াম্বনি। শম্না হায়রবদা, মখোয় অয়াম্বা সাইন্টিষ্টনি, ফিসোজোফরনি নত্রগা স্কোলরনি। মখোয় মখোয়গী খুন্নাইদুনা অচৌবা কন্ত্রিব্যুসন অমদি সার্ভিস পীরম্বনা অয়াম্বা ওই। করি অমুক হায়গনি? য়ুনিভর্সিটি অমগী প্রোফেসার ওইরে হায়রগদি লাইরিক পামনদুনা মশা ময়াং য়াম্না কংবা, মশম মনা ইফা ফাবা, অদুগা চাওরবা লাইরিক অমা কোল্লগা চৎপদু পকচৈ হায়নরিবনি। মদুগুম্বা মতিক ময়ায় লৈরবা য়ুনিভর্সিটি ওঝাশিংদু উবদা লৈঙাক্কী থাক্তা অৱাংবা ফম পায়রবা মিনিষ্টর, এমএলএনা ফাও মখোয়দা অৱাংবা থাক্তা ইকাই খুম্নবা উৎনরিবনি। শম্না হায়রবদা, য়ুনিভর্সিটিগী ওঝা ওইরবদি শেল থুমগী থোইনা খন্দনা অনৌ- অনৌবা লমদা থিজিন-হুমজিন্দুনা মীওইবা জাতিগী কান্ননবা হিরম অমগী মরমদা ৱাখল লৌশিং খরদংদি পুথোকপীরম্নবা হোৎনবনা নত্রগা কান্নবা থেসিস ইবিরম্বনা অয়াম্বনি। নত্তদুনা হাও মচাংদা অনৌবা করিগুম্বা অমত্তা থিজিন-হুমজিন্দনা রেকোর্দ হনবগী মওংদা অদুম মতম লেল্লগা লোইরে হায়না মহেরোইশিংবু তাকপী তম্বীরগদি করি অনৌবা লৌশিং লাক্কনি?

অদুননি, য়ুনিভর্সিটিগী ৱাহঙোকপু ৱাংনা খঞ্জবা মীওই কয়ানা হন্দক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা অথেংবা অহিংদা রেইদ তৌই তাবদা থম্মোয় কায়দুনা মখোয়না য়ানিংদবগী মত কয়া অমা ফোঙদোক্নরকখিবদু। লাইবক থীবদি লমদমসিদদি ঐখোয়গী য়ুনিভর্সিটি সি ষ্টেট লৈঙাক্না রন তৌরিবা, হৌজিক হৌজিক উরিবা শেগায়রবা হায়স্কুলগুম্না মরী লৈনবা ওথোরিতিনা পংখন খল্লব্রা হায়বসিনি। ফিভমসিদদি লমদম অসিগী মী অমা ওইনা ঐখোয়না ইকাইনিংঙাই ওই।

ঐখোয়গী ষ্টেটকী ওইনা লৈরিবা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অসি হান্নদি সেন্টরগী ওইরমদে। সেন্টরগী ওইরগদি ঐখোয়গী য়ুনিভর্সিটিগী শেমগৎ শাগৎননবা সেন্টরনা শেলফম চাওনা চাওনা থাদবীরক্কনি হায়না লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না খঞ্জখি। অদুনা মণিপুরদা লৈজরগসু য়ুনিভর্সিটি অসিদা অতোপ্পা লমগী মহৈরোই কয়া অমসু লাক্কনি। মদুনা মরম ওইরগা মালেমগী থাক্তা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমা শোয়দনা ওইরক্কনি খঞ্জরুবদা কয়াদা নুংঙাইজরুবা! অদুবু ঙসিদি পুম্নমক কাং-খোং চাইবা হায়বদু ওইরে। সেন্টরদগী শেমগৎ-শাগৎনবা শেঙ্হং চাওনা থাদরকপদু মীকানদুনা ঠিকা মুন্নদুনা লৈরব্রা, নত্রগা ফম মুন্নবগী ফিভমদা লৈরব্রা হায়না করিসু খঙজদবা মীচম প্রজাশিংদি মায়কৈ অদোমদা খন্নরক্লে। অহানবদদি, লমদম অসিগী প্রজা মীয়াম্না করিসু করিসু খঙদনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা মপান ষ্টেটকী ভিসিদুনা মথৌ নিংথিনা তৌদ্রে, ঙাইহাক লৈতনা মরমদা চৎলগা লৈথোক্লে হায়বদুদা মদুদি কদায়দগী য়াগনি ? ঐখোয়গী তাঙনা ফংজরিবা য়ুনিভর্সিটিবু মপান লমদগী লাকপা ফৎত্রবা ভিসিদুনা মাঙহনগদৌবা লৈরগদি মাবু লৌথোকপা হায়বসি ফগনি হায়দুনা প্রজা পুম্নমক গ্রুং গ্রুং হৌরম্বনি। হৌজিক্তি লমদমসিগী মীওই ওইরিবা প্রোঃ ভিসিনা অদু তৌরে, অদা তৌরে, মহাক্না এফআইআর লোদজ তৌদুনা মহৈরোই কয়া অমদি ওঝা কয়া ফাদুনা জেল য়ৌহনখ্রে। ওঝা খরসু সস্পেন্দ তৌখ্রে অসিনচিংবা কয়া অসি তারুবদগী মখোয় মশেল ফম মুন্নবগী, ঠিকা মুন্নবগী, য়ুনিভর্সিটিদা থবক হাপ্পা ঙম্বগী পৱারদু পাম্বদগী তৌবনি খন্নখিদুনা অদুক্কী মতিক মপুক্লিংদা তুকৎচবা পোক্নখিবদগী ঙসিদি মীয়াম্না এময়ুগী ৱাথোক্কী মতাংদা পাউসু তানিংদ্রে। পাউচেদা করি ইরি হায়বদু ফাওবা য়েংনিংদবা পোক্নরে। মরমদি ঐখোয়গী কম্যুনিতিগী খমথেংনা মোৎপদু ৱাংখ্রবা য়ুনিভর্সিটিদা ফাও মমি তারে খল্লুবদা নিংবা কায়বদগী ঙসিদি তৌনিংবা তৌজরসনু হায়দুনা থৌশানরক্ত্রে। এময়ু ৱাথোক্কী পাউ তানিংদ্রে হায়নরক্লে। মসিনা তাকপদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা থমজরম্বা মীয়ামগী থাজবদূ পুম্মাঙ মাঙখ্রে হায়বনি।

> *...হৌজিক্তি লমদমসিগী মীওই ওইরিবা প্রোঃ ভিসিনা অদু তৌরে, অদা তৌরে, মহাক্না এফআইআর লোদজ তৌদুনা মহৈরোই কয়া অমদি ওঝা কয়া ফাদুনা জেল য়ৌহনখ্রে। ওঝা খরসু সস্পেন্দ তৌখ্রে অসিনচিংবা কয়া অসি তারুবদগী মখোয় মশেল ফম মুন্নবগী, ঠিকা মুন্নবগী, য়ুনিভর্সিটিদা থবক হাপ্পা ঙম্বগী পৱারদু পাম্বদগী তৌবনি খন্নখিদুনা অদুক্কী মতিক মপুক্লিংদা তুকৎচবা পোক্নখিবদগী ঙসিদি মীয়াম্না এময়ুগী ৱাথোক্কী মতাংদা পাউসু তানিংদ্রে। পাউচেদা করি ইরি হায়বদু ফাওবা য়েংনিংদবা পোক্নরে। মরমদি ঐখোয়গী কম্যুনিতিগী খমথেংনা মোৎপদু ৱাংখ্রবা য়ুনিভর্সিটিদা ফাও মমি তারে খল্লুবদা নিংবা কায়বদগী ঙসিদি তৌনিংবা তৌজরসনু হায়দুনা থৌশানরক্ত্রে...*

অমরোমদা তম্পাক লমদমদা লৈরিবা মোৎপনা খম থেংলবা মীতৈশিংগী য়ুনিভর্সিটিদা তম্নুবা হায়বসে মতম মাঙনবনি, শেল তিংনবনি হায়না চীংগী ইচিন ইনাওশিংগী থম্মোয়দা ফাওনরক্লে। করিগীনো খঙদনা হান্নদগীসু তম্মীশিংবু য়ানিংদনা লৈরক্নবা চীংমীশিংনা ঙসিদি মখোয়গী ওইবা তোঙানবা চীংগী য়ুনিভর্সিটি অমা পীবীরক্লো হায়রক্লে। মসিমক্না চীংগী ওইবা মখোয়গী তোঙানবা লৈঙাক অমা পাল্লিঙৈদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৱাথোকসিনা ভারত লৈঙাক্তা মীতৈশিংগা লৈমিন্নরিবমখৈদি মখোয়গী মাঙজবা ওইরনি। মখোয়গী ওইবা ষ্টেট অমা তোখায়না লৈহনবীরো। তম্পাক্না লৈঙাক পুনবা পামদ্রে। মখোয়দি য়াম্না পোলুটৈদ ওইবা, য়েৎনবা কনবা, খৎনবা পাম্বা, এন্তি- ইন্দিয়ান ওইবা কাঙলুপনি হায়না ভারত লৈঙাক্তা পাউদম্লুবদা, মখোয়না হায়রিবসি অচুম্বনি হায়না য়ুনিভর্সিটিগী থোক্লিবা থৌদৌ অসিনা খনখিবা তাবনি। শম্না হায়রবদা, চীংমীশিংগী ওইবা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা পীয়ু হায়বসিদা চীংগী ওইবা ষ্টেট অমা তোঙান্না শেম্বীয়ু হায়রিবসিদা মৈথৌ হাপ্পা মশানা তারকই।

মফম মতম চাদনা থোকপা য়ুনিভর্সিটিগী থৌদোক অসিনা চীংগী ইচিন ইনাওশিংদা তম্মীশিংগা পুন্না হিংমিন্ননিংদবা হায়বদুদা হেন্না ইনোৎ পীরি। ফিভমসিদা ষ্টেট লৈঙাক্নসু য়ুনিভর্সিটিগী ফাখিবা ওঝাশিং অমদি মহৈরোইশিং অথুবা মতমদা থাদোক্নবা হোৎনবদা থোইনা থৱায় য়াওশিনবসু উদে। অমরোমদা মখোয়বু থাদোক্ত্রিঙৈ য়ুনিভর্সিটিগী মথৌ মঙম অমত্তা তৌখিরোই হায়না ওঝাশিং অমদি মহৈরোইশিংনসু চপ য়ুংনা লৈরি। মুরুন্দুনা লৈনরি। সোলুসন পুরকপগী ৱাফম ইয়াও য়াওদ্রি।

ফিভমসিদদি, য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসিনা নাগা পিছ এগ্রিমেন্টকী ফ্রেমৱার্ক তা অচৌবা চৈঙাক অমা ওইনা নাকোয়ননা শৌগৎলি হায়বদা হায়মনবা থোক্লেই। ফ্রেমৱার্ক্কী ৱাফম, লৈঙাক অমদি মীয়াম্না কুপ্না খন্নগদবা মীৎকুপসিদা য়ুনিভর্সিটিগী ভিসিগী ৱাথোক্না মদু নাথৈহনখ্রে। অমরোমদা চীংগী ইচিন ইনাওশিংনা তমগী য়ুনিভর্সিটিদা তম্বা ফাওবা মখোয়দা কান্নবা ফংদ্রে। তম্মী মীতৈগা হেক তিন্নরিবমখৈ চীংমীশিংগীদি মাঙজবা নত্তনা তোঙজবা লৈররোই । অদুনা মখোয়গী ওইবা অমা তালহৌরসি হায়বরোমদা অপাম্বা হেন্না পোকহনখ্রে।

‘মখোয়দগী ওইবা’, ‘ মখোয়দগী ওইবা’ হায়বসিনা ইরমদম ইমাগী লাইবক্তা করি থোক্লগদবা! ৱাদবা ঙমদে।

## কবি লৈতাঙ্থেম রামসিংহগী মপোক কুমওন থাসিদা কচ্চবা খুদোল

### কবি রামসিংহগী পোইটিক ভিজন ঃ

### মণিপুরী রোমান্তিক কবিশিংগী মরক্তা রাম সিংহগী মফম (১৯৪৫-১৯৫৫) (৩)

**ডা. লোঙ-জোম্ব**

**দি এম কলেজ (আর্টস)**

হান্নগী মখাঃ

‘ পুন্সি খোঙচৎ’ শৈরেংসিদা মীওইবগী পুন্সিগা লেপ্তুনা চৎলিবা মতমগী খোঙচৎকা চাংদম্নরি। মতমগী মমল খঙদনা মীওইবনা নীংঙাইদনা লৈথোকপসিনা - তুংলমচৎকী পুন্সি লম্বীদা অশিবগী তোর্ব্বান নকশিল্লকপনি হায়বগী ইঙ্গিৎ তৌবগা লোয়ননা ‘ হৌজিক ’ হায়বসিনা মীওইবগী নীংতম্বগী পুংজানি। মদুনা মীওইবনা পাম্মুরবা ‘ ঙসি’ হায়বা নুমিৎসিনা লোইদ্রিঙৈ ‘ হৌজিক’ হায়বা পুংজাসিদা পুন্সিগী মরু ওইবা থৌদাং পাঙহৌনবা পাউজেল্লিঃ

হৌখ্রি পুন্সি নোংমা নোংমগী
খঙহৌদনা থংন-থংন’ সুম।...
মতম লৈত্রে ঙসিদগী হেন্না
লাক্নরোই ঙরাংসু ঙসিগুম।
য়াদ্রে লৈথোকপা নিংঙাইদনা
তেল্লবা ঙসি হয়েংসিদা।
লাকখ্রনি হয়েংসু হয়েং
অসিনি পুন্সিগী তোর্ব্বান।
পাম্মুরবা মতমনি ‘ঙসি’
তানফংদ্রবা ঈচেলনি ‘ হয়েং’ (লা.১৩)
নীংতম্বগী পুংজানি ‘হৌজিক’
হৌখিবা ‘ ঙরাং’ নাক্তা উরি। (লা.১৪)

ছৈরেং অনৌবা (১৯৫৭)

কবি চাউবগী ‘শিবা’ হায়বা শৈরেংদা - পীরিবা মীৎয়েংদুগা মান্নদ্রবসু পুন্সিগী দর্শণ অসিগী অরোইবা ৱাদি হায়রিঃ

ঙসি শিনি পাউচেন্দে,
হয়েং শিনি পাউতাক্তে,
ধর্ম্মনা লেংদবা উপান্নি,
মিংচৎনা মাংদবা মরন্নি,
কনানা, কনাগী করিনো?
শিবগা পুম্নমক মন্বনি।
(থায়নগী লৈরাং, ১৯৩২)

‘পুন্সি য়াচংলকপদা’ হায়বা শৈরেংসিদনা চেক্লানা মীওইবগী আত্মা ওইনা, পোম্বীনা মীওইবগী হকচাং পোলাং ওইনা লৌরগা- কবিনা মীওইবগী হকচাং পোলাংদগী আত্মানা চৎখ্রবদা / পাইথোকখ্রগা ওইহৌগদবা’ অরোইবা অন্তকালগী মশক্তু তাক্লি। মীওইবগী পুন্সি মতম শাংনা হিংগদবা / লৈগদবা নত্তে- কুইদবা পুন্সিগী ঈচেলনি। মদুনা অশিবগী লম্বী অসিদদি ঐখোয় পুম্নমক্না নোংমদি শোয়দনা ইমা ইপা মরুপ মপাং পুম্নমকপু হুন্দোক্নমদুনা / থাদোক্নমদুনা অশিবগী লম্বীদা চৎকনি- নোংমদি শোয়দনা শিগনি হায়বদুগী মীৎয়েং য়াওরি। কবিনা অশি-অচং অনীগী মরক্তা লংদাইদা লৈবা মশক্তু তাকপগা লোয়ননা অরোইবদা মীওইবগী পুন্সিগী পোলোইগী লম্বী তাক্লি-

তেল্লবা তাইবং পুন্সি লমদাংসিদা।...
কুইদবা পুন্সিনি মীওই ঐখোইসে
চৎখিনি লৈহৌরোই কনাসু তাইবংদা
লোইরগা মতমদো তাইবং অরোইবা।...
চৎকনি’খোইসু মতমদুদা পন্দনা
শেৎন- খাইনদুনা ইমা ইচা ঙম্নমক
হুন্দোক্নমদুনা মরুপ-মপাং পুম্নমক।
(লা.৩০) ছৈরেং অনৌবা (১৯৫৭)

‘ নক্না তামখ্রে’ দনা মীওইবগী পুন্সিনা সন্ধ্যা ওইরক্নবদা- অরোইবা পুন্সিগী খোঙচৎকী পম্বুংনা নকশিল্লক্নবা -য়ৌশিল্লক্নবদা মতমদুদা ওইরিবা মীওইবগী পুন্সিগী শোকচিল্লবা ফিভমদু কবিগী কল্পনাগী তুরিনা অসুম্না য়েক্লিঃ

লেল্লি তোংদুনা ৱানা
অরোই’ পুন্সি ফৈরাদা।
শিঙ্গুরি ’তমসিদা পি
তত্তনা মিৎলুদগী ’সুম।
উরি পুন্সিনা আদা
হৌখিবা পুন্সি ৱাখল। (লা.৭)
লানখ্রে ৱাংমদা ঙসি
পুক্লিংগী ’রোইবা ঙমখৈ
চৎনিংদ্রে অমুক কদাইদা
থাদোক্তুনা মাদি সংসার।
(লা.৮) ছৈরেং অনৌবা (১৯৫৭)

‘পাঙথোক্লমউ নথৌ’ দনা মীওইবগী পুন্সিগী অরোইবা পম্বুংসি অশিবনি হায়বা দর্শণ অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীওইবগী পুন্সিগা তুরেলগী লৈরাইগা চাংদম্নরি। মীওইবা খুদিংমক মথন মথন্তা পোক্লকই। মদুনা মথন-মথন্তা কনাসু য়াওদনা হনখিনি। শিবা নাইবা, মাংবা নাইবা মীওইবগী পুন্সিনা নহা ওইরিঙৈদা নাথৌ পাঙথোকউ- মতমনা কনাবুসু ঙাইবীদে- মতমগী মমল খঙনা চৎলু হায়না পাউতাক পীরি। কবিনা অশিবগী ৱাহঙোক অসুম্না পীরি।

হনখিনি ইতোম ইতোমতা
লাকপগুম কনা য়াওদনা
নোংমদি ঐখোয় পুম্নমক
লোইবগা তাইবং চীঙ্গাক।...
পান্দমনি তুরেল লৈরাইগী
পুন্সিসু তাইবং মীগী
লুপখিনি মতমগী ঈচেলদা।
(লা.৫) ছৈরেং অনৌবা (১৯৫৭)

কবি চাউবগী ‘ঈঙেললৈ’ শৈরেংদনা- মীওইবগী পুন্সিগা ঈঙেললৈগা চাংদম্নবদু নীংশিংবা য়াই।

নংনা কেন্নবা শাৎপগুম
ঐখোয়সু থুনা শিনবা ঙাইবনি।
ঈপাক্তা কোঙ্গোল তাকপগুম
পুন্সিগী ঈপাক থকসিদা তাক্লনি।
(থায়গী লৈরাং, ১৯৩২)

কবি রাম সিংহগী শৈরেংদা য়েক্লিবা পুন্সিগী দর্শণ- অশি অচংগী ৱাখল্লোন অসি মণিপুরী শৈরেংদা অনৌবা মচল/ মশক অমা ওইনা থোকই। অঙনবা মতমগী রোমান্তিক কবি অমত্তগা নকশিন্নবা তৌদে। কবিনা ফোঙদোক্লিবা পুন্সিগী দর্শণ -মপুং ফাই ওরিজিনেলিতি ওইনা পুথোকপা ঙম্মী। কবিগী থম্মোয়দা ফাওরকপা ইমোসন অমদি ফিল্লিং য়াওরবা কেটালাইটিক ওইরবা মশক্তুমক উৎপা ঙম্মী হায়নিংই। মহৈ য়াল্লবা সাহিত্য কলাগী পোৎনি-থাক ৱাংনা লৈ। তুং কোইনা সাহিত্যদা হিংবা ঙমহৌগনি।

*মথং মথং*

## অম্ব্রাবতি দেবীগী ‘ নোঙ্গৌবী’ শৈরেং পারুবদা

**লমাবম তোমচা সিংহ**

শ্রীমতি নিংথৌজম নিংঙোল অবুজম ওংবী অম্ব্রাবতি দেবী, ঘড়ী অৱাং লৈকায়দা লৈবী অসি মতম কুইনদগী হৌনা সাহিত্যগী লমদা খোঙ্গারক্লবীনি। হৌজিক অইবী অমা ওইনসু লৈরি। মহাক মোইরাং হায়স্কুলদা মতম শাংনা ওঝা অমা ওইনা কখোক্লম্বদগী হৌজিক থবক্তগী পোত্থাদুনা লৈরে। অইবী অসিনা মতম অয়াম্বদা সাহিত্যগী লৈকোন্দা মালিনি অমা ওইনা পুন্সি লেঞ্জরকখি। অইবী অসিগী মশানা ইজবা লাইরিক ইমাগী ঙমখৈ (শৈরেং) ২০১০, ঈরাওখোল (ৱারীমচা)২০১২, য়েন্নিংথা (দ্রামা)২০১৩ অমসুং লাইশঙদুদি লৈহৌরি (দ্রামা) ২০১৪ অসিনচিংবা মখল মথেলগী লাইরিক কয়া মথং মথং ফোঙদুনা মীয়ামদা খুদোল তমখ্রে।

অম্ব্রাবতি দেবীনা চোকথবা লৈতনা মণিপুরী সাহিত্যবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা অতৈ চাউখৎলবা সাহিত্যগী থাক য়ৌনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরিবী মথৌনা লৈবী মমালোনবু য়োকখৎপা পামজবী অইবী অমনি। মহাক্কী ‘ নোঙ্গৌবী’ কৌবা সোনেট সিক্বেন্সকী শৈরেং অসি পারুবদা পুক্নিংদা ফাওরকপা ঈথিল খরা মীয়ামদা পাউদমজরি। মহাক্কী শৈরেংগী ৱারী অসিদা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন খরদং পল্লবদা, কায়নবগী মৈচাক ফংলিবসি নুজা ওইবীশিং খক্তগী নত্তে, নুপা ওইবশিংগী মরক্তসু কায়নবগী অৱা- মৈচাক ফংই হায়বসিনি। ঙসিগী সমাজ অসিদা নুপী ওইবীশিংনা মতু শোন্না হিংজবী নীংবা কায়বগী মীৎলুগী পীরাং শিঙ্গবসি নুজা ওইবীশিংগী শরুক অমা ওইনা লৌনৈ। মদু নত্তে, নুপা ওইবশিংগী মরক্তসু নুজা ওইবী খরনা ওইদ- লৌনম নুংশিদুনা নুপা কয়াগী থম্মোয় কায়হনবা য়াওদবা নত্তে।

অইবী অসিনা সমাজদা উৎনিংলিবদি নুংশিবা, ফজবা, অচুম্বা হায়বা পোৎশক অসিবু থম্মোয়নুংদা চেৎনা থমদুনা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা পামজৈ। তশেংনা হায়রবদা, নুংশিবা পোৎশক অসিবু কৈদৌনুংদসু কায়নবা শুকঙম ঙমজরোই হায়বসিনি। করম্বা মতমদা নুংশিনবা অসি লেঙদনা লৈদুনা নুংঙাইনা হিংমিন্নদুনা লৈগদগে হায়না নোঙ্গৌবী কৌবী চেক্লানা লাইজ ইখৌ লাংনা ঙাইবগুম ঙাইজরি।

*মঙ্গল আর্শিব্বাদ পীজরি।*